# মোদিনা গান্ধি ফেমিলিগী মীংশিং শেংদোক্কদৌরি ইন্দিরা অৱাজ যোজনাগী মীং হোংলগনি



**নু্য দিল্লি, আগষ্ট ১১ঃ** অনৌবা ভার্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) সরকারনা মরু ওইবা সরকারগী স্কিমশিংদা নেহরু গান্ধি ইমুং মনুংগী মীংশিং থোল্লিবা অদু লৌথোক্লবা হোৎনরক্কি।

নরেন্দ্র মোদি সরকারনা খুঙ্গংগী য়ুম শাবগী স্কিম ইন্দিরা অৱাজ যোজনাগী মমীং নেসনেল গ্রামিন অৱাজ মিসন (জি আই এ এম) হায়না ওন্থোক্লবা খন্নখ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না মীং হোংবগী ৱাফম অদু প্রাইম মিনিষ্টরনা ইন্দিপেন্দেন্স দে নুমিৎতা লাওথোক্লবা য়াই হায়রি। চহি ২৯ শুরবা স্কিম অদু অহানবা ওইনা ১৯৮৫তা রাজিব গান্ধি সরকারনা হৌদোক্লম্বনি। অদুগুম্বা স্কিম অদু হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনসু হেন্না পাকথোক চাওথোকহনবগা লোয়ননা অহেনবা শেনফম হাপচিন্দুনা ফগৎহনবা পাম্লি।

মোদি সরকারনা হান্নগী স্কিম অদুদা পীরিবা শেনফম অদু তঙ্খায় হেনগৎহন্দুনা য়ুম অমা শাবদা লুপা লাক্ষ ১.৫ ওইহল্লবা য়াই হায়না থাজনরি। লোয়ননা শাগদৌরিবা য়ুম অদু চাওবা হেনগৎহনগনি। লোয়ননা টোইলেট অমসুং ঈরুজফমনচিংবসু য়ুম শাবদা য়াওহন্নবা লোয়ননা য়ুম অদু য়ামদ্রবদা স্কার মিটর ৩০দগী তাদনবা থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

বি জে পি সরকারনা স্কিম অদু খুঙ্গংগী লমদা লাইরবগী পণ্ঢো মখাদা লৈবা ইমুংশিংদা হেন্না কান্নবা ফংহন্নবা থৌরাং তৌরি হায়না রুরেল দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্কি।

মিনিষ্ট্রি অদুনা ষ্টেট সরকার অমসুং মরি লৈনবা মীওইশিংদগী পুথোক্লবা শেম শারিবা নেসনেল গ্রামিন অৱাজ মিসনগী মতাংদা ফোঙদোক্কিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লবা বার্ত্তন ফংখ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না অদুগুম্বা মীসন অদু দিষ্ট্রিক্টশিং অমসুং ষ্টেট খুদিংমক্তা লিংখৎলবা য়াই। মীসন অদু শেমগৎপগী মরমদি মোদি সরকার লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়ুম খুদিংমক ইং ২০২২দা পকাগী য়ুম ওইহন্নবগী পান্দমদনি।

খুঙ্গংগী লমদা সেনিটেসনগী ফিভম স্বাচ ভারত মিসনগী মখাদা ফগৎহন্নবা ২০১৪-১৫গী য়ুনিয়ন বজেৎতা লাওথোকখি। লৈবাক অসিদা নেহরু গান্ধি ইমুং মনুংগী মীংদা থোনবা সরকারগী স্কিম ৬০০রোম লৈরি।

লোক সভা মীখলগী ফল লাওথোকখিবা থা অমগী মমাং বি জে পীগী সেনিয়ার লিদর ভেঙ্কায়া নাইদুনা এপ্রিল ১৬তা কংগ্রেস পার্টিবু ইমুং অমখক্কী মায় পাকপদা য়েংদুনা লৈ হায়না মরাল শিখি। কংগ্রেস পার্টিনা সরকারগী স্কিম ৬৫০ মী ৩খক্কী মীংদা থোন্দুনা হৌদোক্কি। মীংশিং অদুদি জৱাহরলাল নেহরু, ইন্দিরা গান্ধি অমসুং রাজিব গান্ধিনি। মদুনা লৈবাক অসিদা ইমুং অদুগী মী নত্তবা লৈবাক্কী ফন্নবা খনবা মীওই লৈত্রবগুম ফাওহল্লি হায়না পটনাদা ৱা ঙাংবদা ফোঙদোকখিবা লৈখি।

# জে এন্দ কে অমসুং টেলঙ্গনা নমদুনা ইন্দিয়াদা তিলহনখিবনি ফোঙদোকখিবা টি আর এসকী এম পি বুক তৌখ্রে

**নু্য দিল্লি, আগষ্ট ১১ঃ** জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং টেলঙ্গনা ষ্টেটকী মতাংদা ৱাথোক ওইবা য়াবা ৱাফম ফোঙদোকখিবগী টেলঙ্গনা চিফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রশেখর রাওগী মচানুপী টি আর এসকী এম পি কে কাবিটাগী মথক্তা কেস লৌখৎখ্রে। কবিটানা ন্যুজ চেন্নেল টাইম নাউদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুগী মতাংদা বি জে পি সিটি লিগেল সেলগী কনভেনর এদভোকেট কে করুনাসগরনা এম পি অদুগী মথক্তা থারকখিবা কমপ্লেন অমগী মতুং ইন্না এফ আই আর অদু লৌখৎখিবনি হায়রি।

টি ভি চেন্নেল অদুনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা কবিটানা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং টেলঙ্গনা মমাংদা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরমদে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগীদমক কমপ্লেন অদু তৌরকখিবনি।

ইন্দিয়া এক্সচেঞ্চ প্রোগ্রামদা কবিটানা জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং টেলঙ্গনা নমদুনা ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা য়াওহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি। উন্নবা অদুদা কবিটানা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী থম্মোয়দা করিগুম্বা খরা ফাওরি। তোঙান তোঙান্না লৈরম্বা লৈবাক ২ অদু ইন্দিয়ানা নিং তম্বা ফংলবা মতুং ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা তিনশিনখি। ইং ১৯৪৭ ফাওবদা হায়রিবা ষ্টেটশিং অদু ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরমদে।

ইং ১৯৪৭কী মতুংদা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরকখি। মদুদগী অৱা অনা কয়া নংলক্কি।

লমদম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং অদুক য়াম্না ইনাক খুনবা মীওই নত্তে। মহাক্না মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইরক্লবা মতুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী মরমদা থিজিনখি। হৌজিক লৈরিবা ইশ্যু অদু লাকশিনবা দরকার লৈ। কাশ্মীরি পণ্ডিৎশিংনা বি জে পীগী মথক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্কি। লমদম অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং ইন্দিয়ান য়ুনিয়নদা পুল্লবা মতুং শাফনবা থৌশিল দরকার লৈ। জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী ৱাফম ময়েক শেংহনবা চুমগনি। লৈবাক অসিগী শরুক খরদি মখোয়গী ওইরক্কি মদু য়াগদবনি। লোয়ননা ইন্টরনেসনেলগীওইবা থাক্তা পুখৎতুনা মীৎয়েং শিংশিনবা দরকার লৈ হায়না ফোঙদোকখি।


## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### কংলৈপাক্কী নিংথৌশিং -৩৯

ঙরাংগী মখা...

**ভাগ্যচন্দ্র (খৃঃ ১৭৬৩ - ১৭৯৮)**

ব্রাহ্মণনা ধুপ আরতি কৎলে, মহারাজসু চারা হেনবা তোক্তুনা লুক হারে। মজাইবেম্মনা নীংজবা পুক্লিংবু থুংহনবিগে খল্লদুনা মহারাজনা নবদ্বিপ্তা মন্দির শাবীদুনা বীম্বাবতীনা অনু প্রভু লাৎতুনা শিজ লাইওংবী (লাইরোইবী) মমিং ওন্দুনা মফমদুদা লেঙদনা লৈখি। ভাগ্যচন্দ্রদি নিংথৌ অমগুম অরু-অহেনবা ফিজেৎ লৈতেংবা অহাওবা চিঞ্জাক চাদুনা মতম লেনবগী মহুত্তা অচম্বা ফিজেৎ শেক্তুনা, অচম্বা চিঞ্জাক চাদুনা মালা জোপ তৌদুনা লাই নীংলগা মতম লেল্লম্মী। ধর্ম্ম চেনবা মীনুংশি খঙবা ব্রক্ষণ বৈষ্ণবপু লুনা তৌবা রাজর্ষিগী গুণ চেনবা নিংথৌনি হায়বগী রাজর্ষি মীংথোল পীদুনা ইকায় খুম্নৈ। চীং তম খায়দনা প্রজাশিংবু চপ মান্ননা নুংশিবীবা, মথৌনা লৈবা চীংমীশিংদা খামেন চৎপা, নিংথৌফিনচিংবা মনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎপীবগী লোইনাই চীংথংখোম্বা (চিংশাংখোম্বা) কৌই। রাশি-গুণ চঙখোনবা মরাইবক ফবা নিংথৌনি হায়বগী ভাগ্যচন্দ্র থোল্লি, কর্ত্ত, জয়সিংহ , নুংনাংখোম্বা হায়নসু খঙনৈ। খৃষ্টাব্দ ১৭৯০ থৱান ১৮নি পানবা ইরাই নুমিত্তা লৈশাং হিদেন্দা নিংথৌজা কাংলুপকা খুম ন শলাই কাংলুপকা মাগী মাগী শলাইগী মচু ফিজেৎ লৈতেং সুনা শেৎলগা হিয়াং তান্নরম্মী। লিলোং লাফুপাৎদগী থারকপা হিয়াংদু লাংথবাল কোনুং মমাঙদা হান্না থুংননবা হোন্নরকপা হিয়াংদু নিংথৌজানা থোই। অমুক হন্নবদনা খুমন শলাইনা থোই। মথংদা হি হোনবদা খুৎলোইবা ইমু ইঙৌ অনিনা অমুক হিয়াং তান্নৈ। লোক্তাক খোংবান্দা তাবা থাঙ্গ মোইরাংগী মীওইবু ইমু, তূরেল অচৌবা মপান্দা তাবা ৱাংঙু শুগুগী মীওইবুনা ইঙৌ হায়না খঙনৈ। অহানবা হিয়াং তান্নবদা ইঙৌনা থোই, অমুক হন্নবনা ইমুনা থোই।

মথং মথং .......


# এবোলা লায়না নারে চিংনবা মীওই ১ মুম্বাইদা থেংনরে




গিনিদগী হল্লকখিবা ইন্দিয়া মচা অমা এবোলা নারে চিংনবদগী থম্লিবা হোস্পিটাল অমসুং লায়েংলিবা ডাক্তর

**মুম্বাই, আগষ্ট ১১ঃ** মীওই কয়া শিহল্লিবা এবোলা ভাইরসনা শোকহল্লে চিংনবা মীওই অমা মুম্বাইদা থেংনরে। চিংনরিবা মীওই অদু এবোলা লায়না শন্দোরক্লিবা ৱেষ্ট অফ্রিকাদা থবক অমগীদমক চৎলুরবা মতুং মুম্বাইদা হল্লকখিবনি। মহাক্না ইন্দিয়াদা হল্লকপা মতমদা এবোলা ভাইরস দিজিস (ই ভি দি) সিন্টোমশিং উৎলে। মীওই অদুগী হকচাং চিকপা অমদি দাইরিয়া তৌবনচিংবা ফিভম উৎলি হায়রি।

মহাক মশানা লায়না অদুগী সিন্টোমশিং খঙজবগা লোয়ননা হেলথ দিপার্টমেন্টকা পাউ ফাওনখি। নিংথিনা চেক তৌরবা মতুংদতা ডাক্তরশিংনা মীওই অদু এবোলা লায়নানা নারে নৎত্রগা নাদে হায়বা খঙবা ঙমগনি। মীওই অদু মহারাষ্ট্রগী পলঘার দিষ্ট্রিক্কী বসাইদা লৈবনি। মহাক সরকারগী হোস্পিটালগী আইসোলেন ৱার্দতা থমদুনা ডাক্তরশিংনা লায়েংলি। মীওই অদুগী ঈ গী সেম্পল পুনেদা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ভাইরোলোজিদা থাখ্রে। চৈরকসিদা সরকারনা হায় এলার্ট লাওথোকখিবগা লোয়ননা চৈন্নাইদা লৈবা মীওই অমা লায়না অদুনা নারে হায়বা ৱাফম য়াখিদে।

লৈবাক অসিগী কোনুংদা লৈবা রাম মনোহর লোহিয়া হোস্পিটালবু এবোলা লায়না লায়েংবা অমসুং মদুগীদমক থৌশিল পায়খৎকদবা হোস্পিটালনি হায়না মশক তাক্লি।

ৱেষ্ট অফ্রিকাগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ইন্দিয়া মচা ৪৫০০০ রোম লৈরি।চৎলিবা থা অসিগী ৮দা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গানাইজেসননা এবোলা ভাইরস দিজিজ ৱেষ্ট অফ্রিকাদা শন্দোক্লে লাওথোকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল হেলথ ইমরজেন্সিসু লাওথোকখিবনি।

এবোলা ভাইরস দিজিস হায়রিবা অনাবা মখল অদু মীওইবশিংদা মশিং য়াম্না শিহনবা য়াবা শাথিবা লায়না অমনি । লায়না অদু এবোলা ভাইরসনা থোকহনবনি। লায়না অদুনা নারবা মীওইশিং শিবগী চাং ৱাংলি। ভাইরস অদুনা শোকহল্লবা চাদ ৯০দি শিহল্লি হায়রি।

# সরকারনা লোকপালদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লিঃপি এম ও

**নু্য দিল্লি, আগষ্ট ১১ঃ** সরকার অসিনা মরু ওইনা লৌখৎকদবা থৌদাংশিংগী মনুংদা এন্টিকরপ্সন বোদি লোকপাল বিল শেমবনা মরু ওইবা থৌশিল অমা ওইনা লৌরি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা ফোঙদোরক্কি।

মিনিষ্ট্রি ওফ পার্সোনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস অমসুং পেন্সিনদা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা পীরকখিবা পাউগী মতুং ইন্না সরকারনা লোকপাল, সিটিজন্স রিভান্সেস বিল অমসুং প্রিভেনসন ওফ করপ্সন এক্ট শেমদোক্লবা বিল পাস তৌননবা হোৎনরি। মদুনা সরকার অসিগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ৱাফম অমা ওইরি হায়না ফোঙদোরক্কি।

সরকার অ দুনা লোক পালগী চিয়ারপাসন অমসুং মেম্বরশিং হাপ্পনবা হোৎনরি।

লোক পাল বিলগী চিয়ারপর্সন অমসুং মেম্বরশিং খন্ননবা অমদি মীওইশিং অদুবু রিকমেন্দ তৌননবা দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সোনেল এন্দ ত্রেনিংনা রুলশিং হোংদোক হোংজিন তৌননবা প্রোগ্রাম পায়খৎলি হায়না পাউগী লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্কি।

য়ুপিএ সরকারনা লোক পাল শেমগৎনবা হোৎনবদা ঙমখিদে মরমদি বি জে পি পার্টিনা বিল অদুগী শরুক খরদা য়ানিংদবদগী য়েৎতুনা লৈখি।

রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লুচিংবা ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্লা ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরম্বা অরুন জেটলিনা মতম অদুগী সরকারনা লোক পালগী মকোক অমসুং মেম্বর খন্ননবা হোৎনবদা চাওনা অয়য়েৎপা পীখিবনি হায়রি। হৌজিক লৈরিবা নিয়মগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা কম্মীটি অমনা লোক পালগী মকোক অমসুং মেম্বরশিং খনগদবনি হায়রি।


## Original Marksheet Lost

I have lost my Original Marksheet of class XII(AISSCE), 2014 bearing Roll No. 3634270 issued by CBSE, New Delhi on the way between Singjamei and Thangal Bazar on 10th August 2014.

Finders are requested to handover the same to the following address.

Sd/-
U.Socrates Meitei
S/o, U.Nilakanta Singh&
U.(O) Premlata
Singjamei Yumnam Leikai Lairembi Maning
#9612812367

SL/C-3697/12



## রূপমহল থিয়েটর

তাং ১৩/৮/২০১৪ ইং ২৩০ অমসুং ২৩১ শুবা শো

### "বীর টিকেন্দ্রজিৎ"

অয়ুক পুং ১০ অমসুং নুংথিল পুং ৫.৩০

অইবা ঃ এম. বীর
ডাইরেক্তর ঃ ও. বিরমঙ্গোল
তেংবাংবা ঃ লক্ষিকান্ত
ঃ ব্রজমোহন

SL/C/3695/10-13 এদভান্স টিকেট থাজরে


# পাকিস্টান লাম্মীনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী জৱান ২ শোক্লে

**জম্মু, আগষ্ট ১১ঃ** পুং ৪৮গী মনুংদা অহুমলকশুবা ওইনা পাকিস্টান লাম্মীনা অপিকপা অমসুং ওটোমেটিক ৱিপন অমদি মোটোর সেল কয়া জম্মু দিষ্ট্রিক্কী ইন্টরনেসনেল বোর্দরদা লৈবা ইন্দিয়াগী পোষ্ট ৭তা কাপশিল্লকপদা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সগী জৱান ২ শোক্লে। নোংমাইজিনং নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.৩০রোম তাবদগী পাকিস্টান লাম্মীশিংনা অপিকপা অমসুং ওটোমেটিক খুৎলায়শিং শিজিন্নরগা এটেক চখরকখি হায়না বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সগী ওফিসার অমনা ফোঙদোরক্কি।

বি এস এফকী ঙমখৈ ঙাক্লিবা কাংবুশিংনা ইন্টরনেসনেল বোর্দরদা পোজিসন লৌদুনা চপ চানা খুৎ হনখি। তুংদা নাকল ২গী মরক্তা অৱাই অখুম তৌদুনা নোংমৈ কাপ্পখি হায়রি। শোক্লবা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী জৱানশিং অদু লায়েংনবগীদমক পুথোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬ ফাওবা চখখি। পাকিস্টান লাম্মীনা ঙরাং নুমিদাং পাকিস্টান বোর্দরদা লৈবা নিকোৱাল অমসুং বুদাৱার কেম্পতগী স্নাইপর শিজিন্নদুনা ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দিয়াগী লাম্মীশিংদা কাপশিল্লকখি। তুংদা ইন্দিয়াগী লাম্মীনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপখি।

পাকিস্টান লাম্মীশিংনা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা মোটোর সেল কয়াসু কাপশিল্লকখি। ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা থৌদোক অদু ইন্দিয়াগী বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং পাকিস্টান রেঞ্জরশিংগী কম্মান্দেন্টকী ওইবা ফ্লেগ মীটিং পাংথোক্তুনা ঙমখৈ পরিংদা শন্তি হনঞ্জিহন্নবা ৱারি শান্নখিবা মতুং পুং ৪৮গী মনুংদা শিজ ফয়ার থুগাইদুনা অহুমলক শুবা ওইনা চখরককিবা এটেক্লি হায়রি।

বি এস এফকী জৱান অমা চেনব তুরেলগী অকনবা ঈচেলনা চেন্থদুনা পুখ্রবা মতুং পাক রেঞ্জরশিংনা ফাখি। চৎলিবা থা অসিগী ৮দা পাকিস্টান বোর্দরগী মনুং চনবা ওপটেরিওদা ৱারি শান্নদুনা চেন্থখিবা জৱান খুৎশিন্নরক্লবা মতুংদা নাকল অনিগী মরক্তা য়ানবা ৱাফম কয়া পুরকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং কার্গিল দিষ্ট্রিক্কী লধাখ রিজনদা লৈবা লেহদা চৎকদবা খোঙচৎকী মাংওইননা অদুগুম্বা শিজ ফয়ার থুগাইবগী থৌওং কয়া চখরকখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা লেহদা হায়দ্রো পৱার প্রোজেক্ট অমা শঙ্গাগনি হায়রি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা পাকিস্টান লাম্মীশিংনা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ পোষ্টশিংদা তার্গেত তৌদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্কী মেন্ধর সেক্তরগী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোল লমদমদা অপিকপা অমসুং ওটোমেটিক খুৎলায়শিং শিজিন্নদুনা তৎতনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক থোকখি। আগষ্ট ৮দসু পাকিস্টান লাম্মীশিংনা শিজ ফয়ার থুগাইদুনা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্কী ভিম্বর গলি সেক্তরগী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী ইন্দিয়ান পোষ্টশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। থৌদোক অদুগী মাংওইননা চৎলিবা থা অসিগী ৫দসু দিষ্ট্রিক্ট অদুমক্কী সেরশক্তি লমদমদসু নোংমৈ কাপশিল্লকপা লৈখি হায়রি।

# সচিন টেন্দুলকর পার্লিয়ামেন্ট মীফম য়াওদবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রে

**নু্য দিল্লি, আগষ্ট ১১ঃ** রাজ্য সভাগী প্রসিদেন্ট অমিত অন্সারিনা ঙসি ইন্দিয়াগী মতম অমগী মশক নাইরবা বেটচমেন সচিন টেন্দুলকরনা মীফম য়াওবা ঙম্লরোই হায়না ছুটি লৌরকখিবদা অয়াবা পীখ্রে।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না চহি অসিদা চখখিবা মীফম অমত্তদা শরুক য়াখিদ্রি। দিপুটি চিয়ারমেন পি জে কুরিয়ননা হায় সচিন টেন্দুলকরনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী খুদোংচাদবা অমসুং অতোপ্পা থবক কয়া লৈবনা মীফম য়াওদ্রবসু য়াননবা হায়জরকখি। অদুম ওইনমক টেন্দুলকরনা ছুটি পীবীনবা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু পাথোকখি। মদুদা হাউসকী মেম্বর খরনা য়েৎলকখি। অদুম ওইনমক ছুটি লৌবগী ৱাফম অদু মেম্বরশিংনা খন্নখিদে। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হাউসকী মেম্বর কয়া মরম অমা নৎত্রগা অমদা ছুটি লৌরি। মীওই অমবু করিগীদমক মীফম য়াওদ্রিবনো হায়বা থিগৎপা অদুদি চেয়ারগী মথৌনি। মদুদা হাউসকী মেম্বরশিংনা থিগৎপা মরম চাদে। করিগীদমক অতোপ্পা মেম্বরশিংনদি মীফম অদু য়াওদ্রিবনো হায়নসু হংখি।

হাউসনা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা বেটচমেন অদুনা ছুটি লৌনবা হায়জরকখিবা অদুদা অয়াবা পীখি। টেন্দুলকর অমসুং বোলিৱুদগী এক্ট্রেস রেখানা রাজ্য সভাগী মীফমদা য়াওখিদবগী মতাংদা অন্সারিনা মমাং চয়োলদা ময়েক শেংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। অন্সারিনা হায় মেম্বর অমনা হাউসতগী নুমিৎ ৬৫ এবসেন্ট ওইবা য়াদে অদুম ওইনমক টেন্দুলকরনা অদুগুম্বা রুল অদু থুগাইবদি নত্তে হায়খি।ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা ক্রিকেটর অদুনা লম্বী অদু থাদোক্লমদুনা পার্লিমেন্টনা য়াওরকখি। চহি ৪১ শুরবা মীওই অদু ইং ২০১২দা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইরকখিবনি।

# লালু অমসুং নিতিশ বিহারদা পুন্না কেম্পেন চখরগনি উত্তর প্রদেশতা মুলায়ম অমসুং ময়াবতি খুৎশম্নবা খংহনখ্রে



**নু্য দিল্লি, আগষ্ট ১১ঃ** রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী লুচিংবা লালু প্রসাদ অমসুং জনতা দল (য়ুনাইটেদ)কী লুচিংবা নিতিশ কুমার ঙসিদগী হৌনা চৎলিবা থা অসিগী ২১দা পাংথোক্কদৌরিবা বিহারগী সিট ১০গী বাই ইলেক্সনগীদমক পুন্না কেম্পেন চখখ্রে।

চহি ২৩গী মতুংদা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর অনিনা চুংশিন্নদুনা ষ্টেট অদুদা অনৌবা খোঙথাং অমা চখরি। হাজিপুরদা পাংথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা লালু প্রসাদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ সরকারবু মরাল শিখি। রেল্লি অদুদা হান্নগী চিফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারসু শরুক য়াখি। লুচিংবা অনিমক্লা রাম বিলাস পাসৱানদা এটেক চখবগা লোয়ননা মহাক খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মীওইনি হায়না মরাল শিখি।

রেল্লি অদুগা মরি লৈনননা লালু প্রসাদনা ফোঙদোকখিবদা উত্তর প্রদেশতা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবগীদমক মুলায়ম সিংহ য়াদব অমসুং ময়াবতি চুংশিন্নরক্কনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা নিতিশ কুমারনা হায় ইং ১৯৯৪দা লালুনা বি জে পিগা চুংশিন্নদুনা মহাকপু মায়থিবা পীরমখি। হৌ জিক সেন্টরদা নরেন্দ্র মোদি সরকার লাক্লে।

মহাক্না শক্তি পাইননবগীদমক ধর্ম্মগী মীংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কয়া অদু কৈদৌনুংদসু ঙাকপা ঙম্রোই। মখোয়না সরকার চলাইবদি ঙমগনি।অদুম ওইনমক লৈবাক অসিবু পুবদি ঙম্রোই।

বি জে পি না মীখলগী মতমদা অফবা মতম লাক্কগনি হায়না লাওখিবা স্লোগান অদুগী মতাংদসু ৱাহং কয়া হংখি। লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায় অফবা নুমিৎ হায়বদু কৈদৌনুংদা লাক্লোই। বি জে পিগী মনুংদা লৈবা মীওই খরগীদি মদু ওইথোকপা য়াই।

তশেংবমক্তি মখোয়গী ওইবা নুমিৎ লাক্কগনি হায়বনা চুমগনি হায়না নিতিশ কুমারনা ফোঙদোরক্কি। চৈরকসিদা লুচিংবা ২ বিহারদা চুংশিন্নখিবা অদুবু হম্ববা থাক্কী রাজনিটিনি হায়না বি জে পিনা ফোঙদোরক্কি।

বি জে পিগী লুচিংবা মুক্তা অবাস নকভিনা ফোঙদোকখিবদা লালু অমসুং নিতিশ খুদোংথিনিংঙাই ওইবা ফিভম অমদা লাক্কগনি। মখোয় অথুবা মতমদা শোইদনা চেলেঞ্চ তৌনরক্কগনি। মদুনা বি জে পিদদি করিসু খুদোংথিনিংঙাই লৈতে হায়খি।রাম বিলাস পসৱানগী মচানুপা চিরাং পসৱাননা হায় লুচিংবা ২ পুনশিন্নখিবা অদুনা তাক্লে মদুদি মখোয়না বি জে পিবু কিরেহায়রি।

লালু অমসুং নিতিশ মথংগী নুমিৎতা মোহিয়ু দি নগরদা পাংথোক্কদবা রেল্লি অমদসু পুন্না শরুক য়াগনি হায়রি।


GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102
* Gourahari Market, Paona Bazar, Opp. Pratap Talkies, behind pologround
*Old Lambulane, Opp. G.P. Womenís College.
Better Education, Better Life
Projector Facilities
Learn & speak English with a good command
No. 1. Quality Based Training Institute
Choose the best, no further regrets
A SPOKEN ENGLISH COURSE + FREE 1 MONTH COMPUTER COURSE
Learn computer Internet Free
New Classes begin, enrol today.
Class only for seniors (30 yrs above) in the Evening
Highly Qualified & Long Experienced Instructors : Tejkumar, Bitam, Naobi



FIRST TIME IN MANIPUR
→ LESAR MACHINE
→ CPM FOR (B.P. STROKE)
AT
CENTRAL PHYSIOTHERAPY CENTRE
Address : Sagolband Tera Loukham Leirak, Imphal West, Manipur

FACILITIES :
- PIVD (KHWANG NABA) (DISC PROLAPSE)
- FROZEN SHOULDER (SAYENG NABA)
- POST STROKE (PARALYSIS) (HEMI PARALYSIS)
- BELL'S PALSY (MAI CHINGBA)
- DOWN SYNDROME (CHINESE FACE)
- CEREBRAL PALSY
- GBS ( GULLIAN BERRE SYNDROME)
- FOR DETAILS :
- CONTACT : 7308749608
- OFFICE HOUR : 7AM to 7 PM